HUEIYEN LANPAO

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবদা কংলৈপাক তাইবং পেনা মহৈকোল, ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈলুপ (ইমাখোল) অমসুং সোসাইটি ফোর ফোকলোর এন্দ লিটরেরি রিৰ্ছস মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক তাইবং পেনা মহৈকোলগী জেনরেল সেক্রেটরি সোরোখাইবম ইমোচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক তাইবং পেনা মহৈকোল ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিডেন্ট ওইরম্বা মণিপুরগী শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার পদ্মশ্রীনা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা ঙসি মহৈকোল অসিগী থৌপুবশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা অদুনা মহৈকোল অসিদা নত্তনা পেনা অমদি অতৈ ফোক ম্যুজিক্কী লমদা তৌরম্বা থবক কয়াবু শিংথাখি। মীফম অদুনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

ঈমাখোলগী সেক্রেটরি ইবোমচা লাংপোকলাকপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঈমাখোলগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার অমদি অসামগী হৈলাকান্দিদা লৈবা মণিপুরী সহিত্যা পরিষদ অসামগী এক্স প্রসিডেন্ট অমসুং সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ওফ অসামগী ৱার্কিং প্রসিডেন্ট নাওরোইবম ধনঞ্জয় অনিনা লৈখিদবদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা মন্ত্রিপুখ্রি, লমলোংগৈদা লৈবা ঈমাখোলগী ওফিসতা ঈমাখোলগী প্রসিডেন্ট কেসো সিংহ ইরেংবানা প্রিসাইট তৌদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবা মীওই অনিগী থৱায়না মতম পুন্নমক্তা ঈংনা তিক্লা লাইরমলেন্দা তিনখিনবা তাইবং শেম্বগী মফমদা থৌনিজখি হায়রি।

সোসাইটি ফোর ফোকলোর এন্দ লিটরেরি রিছর্স মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিডেন্ট ওইরম্বা মণিপুরগী শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট পদ্মশ্রী লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা থা অসিগী ৯ দা তাইবং চেংজেল লোইদুনা মপুগী খুয়াদা চঙজখিবগী অৱাবা ফোংবা মীফম অমা ঙসি নুংথিল সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিং মণি মৈতৈ অমদি সনাতোম্বী অনিগী য়ুমদা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱাই মীরেলদা ইকাইখুম্ন বা উৎতুনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবনা হিংলিঙৈদা সোসাইটি অমদি মণিপুরগী ফোকলোরগীদমক্তা তৌবীরম্বা কয়া অদুবু নৌহৌননা শিংথাখি। শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট অসিনা লৈখিদবনা হাংহৌরিবা মফম অসি অমুক মেনশিনবা ঙল্লরোই হায়না ফোঙদোক্ল খি। সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-তিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়না সোসাইটি অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি চিরোম রাজকেটন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কুমওন থৌরম থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কদৌরি পোপুলর ফ্রন্ট ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেক্রেটরিয়েটকী মীটিং ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি, ঐখোয় মীয়ামগা লোয়নরি, মীয়ামগা ঐখোয়গা লোয়নরি হায়বা স্লোগানগী মখাদা থা অসিগী ১৭ তা ১১ শুবা পোপুলর ফ্রন্ট ডে ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্কদৌরি। কুমওন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মাংওইননা নুমিৎ তরুকনি চুপ্পা পব্লিক রিলেসন ৰিক হায়না মিংথোনবা কেম্পেন চৎথগনি। কেম্পেন অসিদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামীন্নদুনা য়ুনিটকী থাক্তা ফিরাল চিংখৎপা, ভলন্টিয়রশিং খোঙচৎচৎপা, সোসল সার্ভিস পাঙথোকপা, সোসল মেডিয়াগী কেম্পেনশিং পাঙথোকপা য়াওরি।

চহি অসিগী বজেটতা য়াওরিবা অদুগা ফংফম থোকপা অদুগা চান্নবগী মতাংদা লৈখিবা ৱারেপগী মনুংদা মোডি লৈবাক্লা পাঙথোক্লিবা থবকশিং মমাংদা ৱাশকখিবশিং অদু মপুং ফানা পাঙথোকত্রি। লৈবাক অসিগী শেং মীৎলোনগী ফিভম মাং-তাকহন্নবা মশক নাইরবা শেনয়েক চৎহন্দবগা লোয়ননা অথিংবা থমখিবা অসিনি। কুমজা ২০১৮ কী বজেট অসিমক লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী ফংফম থোকপা অদুগা চান্নদে। ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী খল্লগা পুথোরকপনি। লাইরবা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনগনি হায়রি।

# মায়কৈ অনিগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
কে সি পি (পিপলস ৱার গ্রুপ) অমদি খুৎলাই পায়বা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কেথলিক স্কুলশিংগী ওথোরিটিগা মুক্লবা অমা লৈরিবা অসি নাকল অনিমক্তা অথুবদা ৱারি শন্নদুনা য়ান্নবা অমা পুবীরকউ হায়দুনা য়ু সি এমনা জেনরেল আপীল তৌরক্লি।

য়ু সি এমগী সেক্রেটরি এন্দ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স লৈশেম্বা লমাবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মরম চাবা ৱাফমশিং খঙদোকমীন্নরগা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা মপুং ফাবা একাদেমী এডমোসফিয়রদা হঞ্জিল্লহল্লকপা হায়বসিনা ঐখোয় পুম্ন মক্কী খ্বায়দগী ফবা ওইগনি।

লাইরিক তন্নিবা মহৈরোই অমদি গর্দিয়ানশিংদসু মুক্লবা অসিনা চাওনা তংদু- লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরে। গাড়িগী সার্ভিস তৌরিবশিংদা মসিগুম্বা খুদোংচাদবা অমা হৌজিক থেংনবা হৌরে। মতাং অসিদা ঐখোয়না থমজনিংলিবদি কেথলিক স্কুলশিংগী ওথোরিটিনসু থল্লক্লিবা ৱাফমশিংদসু করি লৈবগে হায়বদু খন্নবগী লম্বী ফাৎপদু ফগনি হায়না খল্লি, থোং লোন্নরগা উন্নদনা লৈবদুনদি ৱারোইশিন পুরকলোই। পি দল্লিয়ু জিগী মাইকৈদগীসু লুপকী ওইবা অকনবা খোঙফমশিংদু খজিক্তং হন্দে দাকপীরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা লম্বীরোমদা চঙশিনবীনবা আপীল তৌরক্লি। মিসন স্কুলশিং অসিদা তন্নিবা অঙাংশিং অসিসু ঐখোয়গী অঙাংশিং ঙাক্তনি হায়বসি খনবীরগা অথুবদা অকনবা খোঙফমশিং অদু খরা হন্দে দাকপীয়ু, লোয়ননা কেথলিক স্কুল ওথোরিটিগী মাইকৈদগীসু ৱারী-ৱাতাই শানবা নখোয়গী ওইনা মীওইবা ডিপুট তৌরগা অথুবদা গ্রুপশিং অসিগা ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। মহৈলোইশঙশিং অসিদা লাংবনদৌনা সিফাই ঙাক্লগা লৈরবসু মুক্লবা অসিনা লৈরিবা মঙৈ কৈদৌনুংদা তংদু লৈতাবা হায়বদুমদি লৈররোই, মমাংথক্তসু অসিগুম্বা ফিভমশিং অসি কয়ারক হন্না লৈখ্রবনি। ৱারি শান্নদুনা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি হায়রি।

লমদম অসিদা থোকখ্রিবা ফেক এন্দ কাউন্টরগী শিখ্রবা ইমুং-মনুংগী মচা-মশুশিংদা য়ু সি এম অমদি ই ই ভি এফ এ এম লোয়ননা ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুলল ৱেলফিয়র এসোসিএসনগী খুৎথাংদা প্রাইভেট স্কুলশিংদা লেম্না ঙসি ঙসিসু লাইরিক তমহল্লি অমদি মসিসু য়ারিবমখৈ স্কুল ওথোরিটিনা মপুং ফাবা তেংবাং পীবীনবা য়ু সি এমনা ফোঙদোরক্লি।

## এগজামিনেসন মনুংদা হরাও-কুম্মৈ তৌবীগনু: সি সি এস কে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচ এন এস):
বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইডুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সিল ওফ ইডুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী ইগজামিনেসন থা অসিগী ২০ দগী মার্চ ১৭ অমসুং থা অসিগী ১৯ দগী মার্চকী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌবা অসিদা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংগী য়াইফনবগীদমক ৱাফম খরা থমজরি হায়না কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিস কংলৈপাক (সি সি এস কে) না ফোঙদোরক্লি। সি সি এস কেগী মীডিয়া এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি দোল্লর লোইতোংবম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর খুন্নাই অসিগী তুংগী য়াইফনবা খনবীদুনা মীয়াম্না ইগজামিনেসন মনুংদা হরাও-কুম্মৈ মতম খরা থাদোকপীনবা মীয়ামদা খঙহনজরি। মসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী লুপনা মতম অসিদা হরাও-কুম্মৈদগী মতম খরা লেপ্পীনবা হায়রিবা অসিদা সি সি এস কেনসু শৌগৎলি। লাক্লিবা মার্চকী তাং ২ দগী য়াওশং কুম্মৈ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদসু অহেনবা হরাও-কুম্মৈ, য়াওশঙগী মীংদা কা হেন্না ঈরাং তৌবা। য়েংবা নুংঙাইতবা মতৌদা কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোক্তনবা ৱাফম থল্লক্লি।

হীরম খুদিংমক্তা শোকচিল্লবা ইরমদম অসিগী খুন্নাই অসিবু মতিক থোকপা খুন্নাই অমা ওইনবগী ৱাখল্লোন্দা শান্ন খোৎনবদা অমদি অচুম্বা ৱাখল্লোনগী ওইবা মওংদা অফবা মোরেললোমদা হেন্না নকশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপীনবা অমদি অথোই অহেন তান্নবশিংদা পীগদবা মনা মথুমশিং অদুসু ইরমদম অসিগী শিন্মীশিংনা পুথোকচবা পোৎথোকশিং ওইনা পীবিনবা হায়জরি। মরমদি হৌখিবা চহিশিংদা পাঙথোকপা থৌরমদা অরেম্বদা শেল ময়াম অমা মপাল লমদা পীথোকখিবগী রিকোর্ট ময়াম অমা লৈরিবসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। অসিগুন্নবা কয়া অসিদগী কনবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা পায়খৎচবা থৌরাং অসিদা লৈকাই লৈকাইগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি এসোসিএসন খুদিংমক্তা সি সি এস কেনা থমজরিবা ৱাফম অসিদসু শোয়দনা য়াবিগনি অমদি থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়রি।

## মাপলশুবা আর্ট এগজিবিসন হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
আর্ট সোসাইটি মণিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চৎথগদবা ৯ শুবা এন্যুএল আর্ট এগজিবিসন পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আর্ট গেল্লরিদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

এগজিবিসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা প্রো:টি ঐচ তোম্বী ইমিনেন্ট আর্টিষ্ট, নেসনেল এৱার্দী অমসুং মণিপুর সহিত্যা পরিষদকী প্রসিডেন্টনা চিফ গেষ্ট, আর কে নিমাই রিটয়র্দ আই এ এস, কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওর্নর অমসুং আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিডেন্ট এ জয়চন্দ্রনা প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা প্রো: টি ঐচ তোম্বীনা হায়খি, আর্ট সোসাইটি মণিপুরনা য়াম্না ৱানা এগজিবিসন অসি শিনবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকই। মণিপুরগী আর্ট অসি লমদম অসিদা অনৌবা ময়োল চোংলকপগুম থেংনৈ। লিটরেচরগী মতাংদা তৌরিবা অঙকপা ফংবা থবকশিং অসি ভিজুয়েল আর্টকী ওইনদি খরা তাংনা থোকপ্রা খল্লি। আর্ট এন্দ কলচর চাওখৎনবা হোৎনবসি অয়াম্বা অরুবা থবক অমনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু আর্ট এন্দ কলচরবু য়োখৎপিরিব্রা হায়না হংনিংই। আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মণিপুর অসি মালেমগী থাক্তা চাং তান্নবা মতমদা ঐখোয়গী ওইবা ফিভম অসি কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বা ঙমদে। মরম অদুনা ভিজুয়েল আর্ট অসি চাওখৎহনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খি। এগজিবিসন অদু থৌরম অদুগী চিফ গেষ্টনা রিবন কক্তুনা হৌদোকখি।

এগজিবিসন অসি থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা হাংগনি হায়রি।

## এম সি এগী চহিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর কলচরেল আশ্রম (এম সি এ) ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল মখা লৈরক্কী ৮ শুবা এন্যুয়েল ফঙ্কসন ঙসি শ্রীশ্রী গোবিনাথজি মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী অহৌবদা লৈখিদ্রবা সঙ্কির্তনগী ওজা-গুরুশিংগী শক্তমদা লৈশু কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। মতুংদা এ কে চিঙ্খৈঙানবনা পুংগী থৌগল তৌখি।

থৌরম অদুদা য়াইস্কুল এ সিগী এম এল এ থোকচোম সৈত্যবর্তনা চিফ গেষ্ট, ক্ষেত্রিগাও এ সি গী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা প্রসিডেন্ট, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ২০ গী কাউন্সিলর লৌক্রাপম তোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ টি ঐচ সৈত্যবর্তনা হায়খি, ওজা-গুরুশিংনা কলচর ঙাক্লবা অমদি হিনবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয়সু থৌদাং লৌজগে।

ঐখোয়গী ফজরবা অপূনবগী শক্তম অমদি নাৎকী ওইবা পোৎলমশিং অসি নোংম নোংমগী শুম শুম মাংশিল্লক্লে অমসুং মসিবু কন্নবা ঐখোয় পুম্নমক্লা থৌদাং লৌগদবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি কন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না চুমখ্রবা ৱাফম অমনি। ঙসিগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা মমাংদা লৈরম্বা কয়া অদুগা য়াম্না শাথিনা খেৎনরে হায়বসি শেংলবা ৱাফমনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা নাৎকী ওইবা শক্তম তাক্লিবা অসিগুম্বা কলচরগী ওইবা প্রোগ্রাম অসিদা মাংদা লেংশিনবীরিবা লাই-গুরুশিংগী মাংদা ঐহাক্লা অখঙ-অহৈ শাদুনা ইতিক ইপাশু লৈজদে। নুপা পালা নুপী পালা হায়বসি ঐখোয়সু মমাংদা তাজরকই। অদুবু নুপামচা পালা হায়বা অসিদি ঙসি তারিবা অসিনা অহানবনি। ওজা-গুরু পুম্নমক্লা পাম্বীরিবসি ঐখোয়গী নাৎ অমসুং শক্তম ঙাক্তুনা অমদি য়োকখৎতুনা থম্বনি। মমাংদা ঙাংবিখ্রিবা ওজা অমনা স্কুলগী সেলেবসতা হাপ্পুনা তম্বীবগী ৱাখল অসিসু য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। হীরম অসিগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংজগে হায়না ফোঙদোকখি।

ওজা-গুরু ময়াম অসিনা পুনশিনবীরগা অসিগুম্বা অচৌবা থৌরম অমদা খন্ন নৈনবীরগা ঐখোয়গী ফজরবা কলচরগী ৱাখল্লোন লৈরিবা ময়াম অসি তান্নরগা অইবা ওইনা থম্লগা ইডুকেসনগী লমদা তমহল্লগদি হেন্না লাইথোকহনগনি হায়না খঞ্জে। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়সু অঙম্বা শরুক য়াজদুনা চেঞ্জা চোংজগে ওজা-গুরুশিংনা তাকপীয়ু। থকসি-খাসি হায়বা অসিদগী হেন্না ফজবা লৈতে। ওজা উবদা খুরুম্বা হায়বা অসি ঐখোয়গী কলচরগী ওইবা ফজখ্রবা মশক অসি কন্দুনা ঙাক্তুনা থমদবা য়াদে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া অসিদা পুন্না ফিরেপ অমা লৌরগা চঙশিনমীন্নসি অদুতদা পান্দম য়ৌবা ঙমগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, মমাংঙৈদদি ওজা-গুরু উবা মতমদা ওজাগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুম্নবা হোৎনরম্মী অদুবু হৌজিক্তি লাপলিঙৈদা ওজা হায়রগা হায়ফেৎতং নোনথরগা খুরুম্লে। মসিমকসু ওজা-গুরু অনিগী মরক্তা লৈনবা থকসি-খাসি অদু হন্থরকপ্রা হায়বা অসি খল্লি। ঐখোয়গী কলচরদা পুং, জগোয় অমসুং ঈশৈ হায়বসি মাংবা য়াররোইদবনি। আর্টপু পামজবা অমদি কলচরবু য়োকখৎনিংবশিংগীদমক্তা ক্ষেত্রিগাও এ সিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা শান্নবগীদমক উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। ওজা-গুরুশিংনা কলচর কনবদা শরুক য়াবিরিবা অসিগুম্বা ঐহাকসু মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরমগে খন্দুনা কলচর অসিবু কন্নবা হোৎনজবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সৌগায়জম থানিল পদ্মশ্রীনা ফোঙদোকখিবদা, অঙাংশিংনা লাইরিক-লাইশু খক্তা তম্বতা নত্তনা কলচরসু য়োকখৎনবা হোৎনবা হায়বসি ইমুং খুদিংগী মথৌ তারবনি। কলচর লৈতবা লমদম অদুদি থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগা মান্নে। মাগী মাগী ফুরুপশিংনা মাগী মাগী কলচর য়োকখৎনবা হোৎনৈ। মণিপুরগী কলচরনা ঐখোয়বু শক তাক্লিবনিদি হায়, অদুবু কলচরগী ফিভমদি হৌজিক খমথেংনা নোম্না লৈরল্লে মসিবু কলহৌবা তাবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নিংথৌজম খোমৈতোন্না হায়খি, নুপামচা পলা হায়বসি নুপামচাশিংনা পাঙথোকপা সঙ্কির্ত্তনবু খঙনৈ। ঙসিদগী চহি ৩০ রোমগী মমাংদদি মতম অদুগী অহল-লমন অমদি লাই-গুরুশিংনা শিনবী লাংবীদুনা খুঙ্গং-খুঙ্গং, লৈকাই লৈকাইদা লিংখৎপীদুনা ঈশৈ তম্বা অমদি ঈশৈ ফাংনবনচিংবা কয়া থেংনরকই। থৌরম অদুগী অরোইবদা নুপামচা পলাগী সঙ্কির্ত্তন মীয়ামদা খুদোল তমখি।

## কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
কোরেন (কোইরেং) য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (কে ৱাই ও) মণিপুরগী ৪৭ শুবা জেনরেল কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিট থা অসিগী ১২ দগী ১৭ ফাওবা কাংপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দোলাইথাবী দাম মনাক্কী উতোংলোক ভিলেজদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কে ৱাই ওগী প্রসিডেন্ট জেদ চুংসেক কোইরেংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কনফরেন্স অসিগী মরু ওইবা থৌরমশিংদি গেমস এন্দ স্পোর্টস, কলচরেল সো, লিটরেরি কম্পিটিসন অমসুং পিছ অমসুং হর্মটি হ্যুমেন রাইটস, ইডুকেসন, রোল ওফ য়ুঠনচিংবা তোঙান তোঙানবা টোপ্পিকশিংদা খন্ন নৈনগনি। নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনগী ডিলিগেটশিং কোইরেং ভিলেজশিংগী চর্চশিংগী লুচিংবশিং, ভিলেজ ওথোরিটিগী লুচিংবশিং, মহৈরোইশিং অমদি নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি। মীশিং য়ামজদবা অসিগুম্বা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা খুন্দারিবা ফুরুপ অসিগী কনফরেন্স পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা মীওইনা, ওর্গনাইজেসন নত্রগা বোডিশিংনা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবিদনবসু আপীল তৌরক্লি।

## পি এমগা উনগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
প্রাইম মিনিষ্টরগা লৈবাক অসিগী স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগা থা অসিগী ১৬ তা উন্নদুনা এগজামিনেসনগী ষ্ট্রেস হন্থহননবগা মরী লৈননা ৱারী শান্নগদৌরি।

নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবগী মনুংদা ক্লাস ৬ কী মথক্তা লৈবা মহৈরোইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা ফঙগনি। মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্তা অসিগুম্বা তাংলবা খুদোংচাবা অসি মহৈরোইশিংনা স্কুলশিংদা উবা অমসুং তাবা ফংনবা তৌফম থোকপা থৌশিল থৌরাং পুম্নমক তৌগদবনি। থৌরম অসি ডি সি নেসনেল অমসুং ওল ইন্দিয়া রেডিওদা শন্দোক্কনি। মপুং ফাবা এরেঞ্জমেন্টে খুদিংমক মরী লৈনা ইন্সটিট্যুসনশিং জোনেল ইডুকেসন ওফিসশিং/ইন্সটিট্যুসনগী মকোকশিংনা তৌদুনা ক্লাস ৬ কী মথক্তগী লৈবা মহৈরোই খুদিংমক্তা প্রোগ্রাম অসি য়ৌহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ডিরেক্টর ইডুকেসন (এস) অমসুং এস পি ডি/এস এস এ টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
কুকি ষ্টুডেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জেনরেল হেড ক্বাটরনা কে এস ওগী ফাউন্দিং প্রসিডেন্ট পু পাউখোলেন এলাইজ পি কে সিঙ্কসন্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯৬৩ গী ওক্টোবর ১৭ তা এম জি এভিন্যুদা লৈবা পাউলেন হাউকিপকী য়ুমদা লিংখৎখি অমসুং মহাক্লা অহানবা প্রসিডেন্ট ওইখি। মহৈরোই এক্টিভিষ্ট অমা ওইরকখিবা পি কে সিঙ্কসন য়ু পি এস সিগী এগজামিনেসন থাদুনা কুমজা ১৯৭৮ দা ওল ইন্দিয়া রেডিওগী এসিটেন্ট ডিরেক্টর ওইনা খনখি। ইন্টরনেসনেল হুজ হু ওফ টুৱেন্টিথ সেঞ্চুরি এচিভমেন্ট এন্দ লিদিং ইন্টিলেকচুয়েল ওফ দি ৱার্ল্ড ওন কন্টেম্পোরেরি এচিভমেন্ট ফোর ১৯৯৯ আমেরিকান বাইওগ্রাফিকেস ইন্সটিট্যুটনা পীখ্রে। পি কে সিঙ্কসনবু কমন ৱেল রিলেসন ট্রস য়ুনাইটেদ কিংদমনা নোমিনেট তৌদুনা কুমজা ১৯৮৩ দা বি বি সিদা ট্রেনিং য়াওখি হায়রি।

## খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব, খুরাই কোনসম লৈকাইনা শিন্দুনা খুরাই পোপুলর হায় স্কুল অমসুং কোন্সম থোঙাম পোপুলর প্রাইমরি স্কুল অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি খুরাই পোপুলর হায় স্কুলগী গ্রাউন্দা পাঙথোকখ্রে।

খন্ন নৈনবগী থৌরম অদুদা এল সুসিন্দ্রো (য়াইমা), এম এল এ খুরাই এ সিনা চিফ গেষ্ট, কোন্সম সনাজাওবা সিংহ, প্রসিডেন্ট ৱাই ও এস সি, রিটয়র্দ জোইন্ট ডিরেক্টর, সোসল ৱেলফিয়র ডিপার্টমেন্টনা প্রসিডেন্ট অমসুং এম প্রেমচন্দ্র সিংহ জেদ ই ও, জোন ৩ ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং অথোকপম ওকোন্দ্রো, জিলা পরিষদ মেম্বর, খুরাই নান্দৈবম লৈকাই অনিনা থৌরমগী গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবকী সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি কোন্সম ভিক্টরনা কি নোটকী ৱারোল পীরদুনা হায়, খুরাই পোপুলর জুনিয়র হায় স্কুল অমসুং কোন্সম থোঙাম পোপুলর প্রাইমরি স্কুল অনি অসি মতম অমগী য়াম্না ফবা স্কুল অমনি। মাইকৈ কয়াদগী স্কুলশিদগী মহৈ তমদুনা হৌখিবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি স্কুল অসি মহৈরোই মপুং ফানা লৈরক্ত্রে ওজাশিং উনরুবা মতমদদি ৱেল ক্বালিফাইদ ওইবা ওজা ঙাক্তা ওইরম্মী। মসিদগী ক্লব অসিনা লৈকাইশিদগী মহৈরোই খোল্লগা ক্লাস নিংথিনা চৎথদুনা স্কুল অসিবু অমুক অফবা মওংদা হিংগৎনবগী ৱাখল্লোনদা শিনবা খন্ন নৈনবগী থৌরমনি হায়খি।

খন্ন নৈনবগী থৌরমদুদা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এল সুসিন্দ্রোনা হায়, স্কুল অনিসি অপগ্রেদ তৌনবা প্লান লৈজরে অদুবু স্কুল অসিদা মহৈরোইগী মশিংগা ওজাগী মশিংগা য়াম্না চাওনা খেন্নবা মহৈরোই মশিং ৱাৎপা মরম্না স্কুল অসি অপগ্রেদ তৌবা য়াদবগী ৱাফম অমা লৈরি। মসি করম্বা মওংদা শিল্লগা হেন্না ফগদগে হায়বদু কুপ্না খন্নগনি। গভর্ণমেন্টনা পাইখৎলিবা চাওখৎ থৌরাং অমা ওইনা লম্বী পাক থোকপগী থবক কন্না পাইখৎলি। মসি লম্বীগী নাকয়েৎ অনিমক্তা ফিট ১৫০ পাকথোকপগী ৱাফম লৈ অদুবু ফিট মশিং অসিদা পাকথোকপা তারবদি স্কুলগী শরুক খরা শোক্কদবা মরম্না ফিট ১০০ পাকথোক্লবা হায়নরে।


মহাক্লা হায়, খুরাইদা খুৎশেমগী ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি দ্রেনেজ সিষ্টেম ফত্তবননি। মসি ক্লবকী মীওইশিং য়াওনা লৈকাই মীয়ামদসু কান্নবা মওংদা দ্রেনেজ সিষ্টেম অসি হেন্না লুথনা তৌরগদি ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি হন্থগনি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নদুনা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা খুদোংচাবা ফংমীন্নসি। এম এল এ শিংগী থবক্তি গভর্ণমেন্টনা পীবা খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহনবা অসিনি।

স্কুল অসি মহৈরোইখরা য়াম্না লৈহনবা মথৌ তাই। ক্লবকী ঈচিল ঈনাওশিংনা লৈবাক- লৈকাইদা লাইরিক তম্বা ঙমজদবা অমসুং স্কুল য়ুনিফোর্ম লৈবা ঙমদবশিং থিদোকপীয়ু। য়ামদ্রবদা মহৈরোই ১০০ ফাওবা লৈহনবা মথৌ তাই। স্কুল য়ুনিফোর্ম লৈবা ঙমদবশিং লৈজগে। স্কুল অসিবু কন্নবা হোৎনসি হায়নসু এম এল এনা মখা তাখি।

খন্ন নৈনবগী থৌরম অদুদা স্কুলগী হেড মিষ্ট্রেস, লৈকাইগী অখঙ অহৈ কয়া অমনা শরুক য়াদুনা স্কুল অসিবু ফগৎনবা করি করম্বা থবকশিং পাইখৎকদগে হায়না কুপ্পা খন্নখি।

খন্ন নৈনবা অদুগী রিসোলুসন ওইনা- স্কুল অনিসিগী ডিভলপমেন্টতা লৈকাই ময়ামগী মীওইশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবা, এস এস এগী মখাদা পীরিবা ফ্রি টেক্স বুক এন্দ ফ্রি য়ুনিফোর্মশিং জানুৱারি ১৫ দগী সেসন হৌখ্রবফাওবা পীদনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্টগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পীবিনবা আপিল তৌজরি অমসুং স্কুল অসিগী ডিভলপমেন্টকীদমক্তা অথুবা মতমদা ক্লব য়াওনা হোৎনদুনা ডিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা শেম্বা হায়না য়ান্নরে হায়রি।

## নেসনেল মাইম ফেষ্টিভেল চত্থরি




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচ এন এস):
সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা কংলৈ মাইম ঠিরেটর রেপর্টরি লংথবাল কুঞ্জা ইম্ফাল ৱেষ্টনা থা অসিগী ৮ দগী চত্থরকপা নুমিৎ ৫ গী ওইবা নেসনেল মাইম ফেষ্টিভেলগী নুমিৎ ৩ চনবা ফাওবদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা গ্রুপ মাইম উৎখ্রে।

কংলৈ মাইম ঠিরেটর রিপর্টরিগী ডা: য়ুম্নাম সদানন্দনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনেল মাইম (ৱা ঙাংদবা লিলা) ফেষ্টিভেল অসিগী নুমিৎ ৩ চনবা ফাওবদা মণিপুর, অসাম, ৱেষ্ট বঙ্গল অমসুং রজস্থানদগী লাকপা তোঙান তোঙানবা মাইম গ্রুপনা মাইম প্লেশিং উৎখি।

ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা অতোপ্পা ৱেষ্ট বঙ্গলগী মাইম লিলা অনি সোমা মাইম ঠিয়েটরগী *এবং প্রেম* অমসুং জলপাইগুরি মাইম ঠিয়েটরগী *ওভরকোট* অমসুং মুম্বাইগী *কাৎপুতলু* উৎখি। ইম্ফালদগী খরা লাপথোকপা লংথবাল কুঞ্জদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপা ওইরবসু নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়ানা য়েংদুনা মপুং ফাবা ফেষ্টিভেল অমা ওইরি। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না হোৎনবীবগীদমক ঠিয়েটর অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ফেষ্টিভেল অসি হয়েং নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা প্রো: এন তোম্বীনা চিফ গেষ্ট, নিরঞ্জন গোশ্বামীনা পদ্মশ্রীনা প্রসিডেন্ট অমসুং আর কে রঞ্জননা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা লোইশিনগনি হায়রি।

## ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী ৫১ শুবা এনুয়েল জেনরেল বোডি মিটিং ঙৱাং পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে অমসুং কুমজা ২০১৮-১৯ গী থৌ পুনবসু খনখ্রে।

এন রাজেন্দ্রো (বোই) বু প্রসিডেন্ট, ই দোলেন্দ্রবু লিগেল এডভাইজর, কে ঐচ নবচন্দ্রবু ৱার্কিং প্রসিডেন্ট, টি ঐচ দিজমণি, এল রাজেন অমসুং সি ঐচ ইবোহনবীবু ভাইস প্রসিডেন্টশিং, টি লম্ফেলবু জেনরেল সেক্রেটরি, টি শ্যামনগরবু এসিটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি, দল্লিয়ু কেসোবু ফাইনান্স সেক্রেটরি, ঐচ রুহিনিকুমারবু ট্রেজরর, এল জুগেশ্বরবু এডমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরি, ঐচ পোইরৈতোনবী পব্লিসিটি সেক্রেটরি, এস ইবোমচাবু ৱেলফিয়র সেক্রেটরি অমসুং কে ঐচ খুগামণিবু জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা হাপখ্রে।

## এম এম দল্লিয়ু ওনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ (ঐচএন এস):
মাইনোরিটিজ এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (এম ও বি সি) ডিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবদা মাইনোরিটি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা পায়খৎখিবা স্কিম খুদিংমা ইক্কারি তৌদুনা স্বাইট পেপর অমা পুথোকউ। মমাংগী গভর্ণমেন্টনা কেবিনেট ডিসিজন লৌরম্লবা মাইনোরিটিশিংগী ডিরেক্টোরেট মপুং ফানা মথৌ তৌহল্লু হায়না ঙসি সোরা কৈথেলদা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দল্লিয়ু ও) হেড ক্বাটরনা চত্থরকখিবা খোঙজংগী মনুং চন্না এম এম দল্লিয়ু ও ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা এম এম দল্লিয়ু ও ককচিং ডিষ্ট্রি কম্মিটিগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসনগী থৌ পুরিবা এম ডি হুসেন অহমদনা হায়খি, লমদম অসিদা লৈরিবা মীশিং য়ামজদবা মীওইশিংগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা এম এম দল্লিয়ু ওনা তল্লিবা ডিমান্দশিংগী মতংদা খন্নদুনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। লাক্লিবা নুমিৎ ২০ গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংবনচিংবা মখল-মখা কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি। মশিং য়ামজদ্রবা কাঙলুপশিংবু চাওখৎ মাইকৈদা পুরক্তুনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুত্থাংদা কান্নবা কয়া পীদুনা লাক্লি। অদুবু লমদম অসিদা লৈরিবা এম ও ডি সি ডিপার্টমেন্টনা মাইনোরিটিশিংগী লৈরিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা ফংহন্দবা মীওই খরগী খুদোং চাবা লৌফম ওইনা লৈরে। কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবগী মাইনোরিটি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা পীরকপা স্কিম খুদিংমক্তা চাদা ১০ য়ৌনা ফঙফম থোকপা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরি হায়রি।

লুপ অসিনা গভর্ণমেন্টদা মেমোরেন্দম কয়া পীশিন্দুনা অল্টিমেটম থমদুনা স্বাইট পেপর অমা পুথোকউহায়দুনা তকশিন্দুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রবসু লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা তুমীন্না লৈশিনবা অসি লুপ অসিনা মাইনোরিটি মীয়ামগী অপাম্ববু নাথৈননি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়রি।

১১ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিমীখলগী মাংওইননা মতম অদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মাইনোরিটিশিংগী ডিরেক্টোরেট অমা হাংদোক্কবা কেবিনেটকী ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা বি জে পিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদসু বি জে পিনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রক্লবদি থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লমদম অসিদা লাক্লবা ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপীদবা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম এস ডি পিগী ফন্দ লান্না শিজিন্নবা অমদি মাইনোরিটিশিংগী চাকথুং মৎপদা মাইনোরিটিগী মীহুৎশিংনা তুমীন্না লৈশিনবা অসি মখোয়সু শেঞ্জা-থুমজা য়াওরে হায়না লৌদবা ঙমদে। মরম অসিনা মখোয়গী মথক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়বা ৱাফমশিং য়াওবা চেরোলশিং এম এম দল্লিয়ু হেড ক্বাটরনা পীশিনখ্রে হায়দুনা মখা তানা ফোদোকখি।